লাইফম চৎপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): লাইনিংথৌ সনামহী সনাপুংনা অহুম্লকশুবা ওইনা পাঙথোক্লিবা মীতৈ চনু ২০১৮ (ব্যুটি পজেন্ট) গা মরী লৈননা পাঙথোকপা লাইফম চৎপা হায়না মীংথোনবা থৌরম অমগী মনুং চন্না ঙসি কোন্থৌজম তম্ফা লাইরেম্বী অমদি লাইনিংথৌ খোরিফাবগী লাইফমদা চৎতুনা লাইফমশিং অসিগী ৱারী লিখুন কয়া থিগৎমিন্নখি হায়না ওর্গেনাইজিং কম্মিটি মীতৈ চনু ২০১৮গী প্রিন্ট এন্দ মিদিয়াগী কনভেনর ঈশ্বরজিৎ চান্দমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অদুদা কম্পিটিসন্দা মায় পাক্লবা শকহেনবী চনুরা ২০না শরুক য়াখি। লাইফমশিং অসিগী ৱারী ৱাখোঙ নীংথিনা তাক্লবা মতুং কম্পিটিটরশিংদা ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা ৱারেং অমমমসু ইহনখি। খুন্নাই অসিদা ইরমদমগী লাইফমশিংগী মতাংদা কৃপ্না খঙলত্তুবনা লাইফমশিং অসিগী মরুওইবসু খঙজিল্লক্ত্রে। ইনখৎলক্লিবা তুংগী মীরোল শেন্লক্কদৌরিবা চনুরাশিংদা লাইফমশিং অসিগী মরুওইবা খঙহন্নবগী পান্দমদা থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়রি।

মরী লৈনদে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর দি পি সী কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ওফ পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০১৩ বেটচনা লাক্লিবা ওক্টোবর ৩দগী ৫ ফাওবা তৌগনি হায়রিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগা জোইন্ট কম্মিটি ওফ পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০১৩ এন্দ ২০১৬ বেটচকা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না জোইন্ট কম্মিটি ওফ পুলিস কন্সটেবল (মেল) ২০১৩ এন্দ ২০১৬ বেটচকী কনভেনর এম জেনিসনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মেগা সোসল সার্ভিস কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): লময়ানবা ইরাবতকী ১২২শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মেগা সোসল সার্ভিস কেম্প অমা থা অসিগী ২৯দগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ নীনি চূপ্পা ওল মণিপুর মেনপৱার অপলিফ্টমেন্ট সেন্তরনা শীন্দুনা পাঙথোকখ্রে। এ এম এম য়ু সীগী শিন্নী ১০০ রোম্না শরুক য়াদুনা খ্বাইরাম্বন্দ ইমা কৈথেলদগী হৌদুনা ইরমদমগী শিন্নীশিংগী শূফম নোমফম পীরিবা ইমা কৈথেলশিং, লম্ফেল সুপর মার্কেট, লমলোং কৈথেল, পুরৈরোম্বা কৈথেল, কোংবা কৈথেল, শিংজমৈ কৈথেল, পিশুম কৈথেল অমসুং ক্বাকৈথেলগী কৈথেল ফম্বী ইমাশিংগা পূন্না পাঙথোকখিবনি। সোসল সার্ভিস কেম্প অসিদা কৈথেল ফম্বী ইমাশিংনা মতেং পাংবিরকখিবগীসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

আর্টিকল, এসে থাবীরকউ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): মণিপুর এফ্যেরস পব্লিকেসন হাওসনা থা ৩/৩গী ওইনা পুথোকপা মেগাজিন মণিপুর এফ্যেরস-এদ্যুকেসনেল জর্নেল ওন মণিপুর পব্লিক এদমিনিষ্ট্রেসনগী অনীশুবা খূৎনম লাক্লিবা ওক্টোবর থাগী অরোইবা শরুক্তা পুথোক্কদৌরিবা অসিগীদমক আর্টিকলশিং লাক্লিবা ওক্টোবর ৫ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীরকপা য়াগনি। আর্টিকল নৎত্রগা এসেশিং অদু মণিপুরগী মরমদা ওইগদবনি। ৱারেংশিং অদু য়াম্লবদা ৱাহৈ ১৮০০দগী ২০০০ ফাওবগী মনুংদা ইবিরকউ হায়রি। আর্টিকল অমদি এসেশিংগী মরক্তগী খনগৎলবা এসে রাইটরশিংদা টিম মণিপুর এফ্যেরসকী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোল তমজগনি। লোয়ননা ক্লাস টুয়েল্ব ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী ওইনদি মকোক মথং তারবা অহুম খনগৎতুনা মনা পীগনি হায়রি।

য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরি লীংখৎখিবগী সিলভর জুবিলি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরি লীংখৎখিবগী চহী ২৫ মপূং ফারকপগী লুপা ফুদোংবা (সিলভর জুবিলি) গী থৌরম ঙসি য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা য়াইরিপোক বেদমিন্টন এসোসিএসনগী ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্রনা চীফ গেষ্ট, য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরিগী প্রসিদেন্ট রঘুবির থিয়াম্না প্রসিদেন্ট অমদি শক্লাইরবা ক্রিটিক ডা. নোংমাইথেম তোম্বী, সাহিত্য একাদেমি ন্যু দেল্লিগী মণিপুর লেঙ্গোইজ এদভাইজরি বোর্দকী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমার, মণিপুর সাহিত্য পরিষদকী সাহিত্য সেবক অমদি থৌবাল কোলেজগী রিটায়ার্দ প্রিন্সিপাল এন গন্ধার অমসুং সোসল ৱার্কর লোইতোংবম নরেন্দ্রনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্টনা লুচিংদুনা লময়ানবা ইরাবত, য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরিগী শঙলেন শানবা লম কৎপীরকখিবা লৈখিদ্রবা মুতুম রাজধোন অমসুং লৈখিদ্রবা অইবা এস ঐচ নবচন্দ্রগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরিনা ফোঙবা পোইরৌখোংজিন্দগী কাংবম বিজয়কুমারনা ইবা *ইমাগী য়োংখম মখোল* কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমা অমসুং মরুপ অসিনা চহী চহীগী ওইনা পুথোকপা চেফোঙ *থম্বাল*গী ৯শুবা মশীংসু থৌরম অদুদা ফোঙখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা এম এল এ মেঘচন্দ্রনা হায়খি, য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরি হায়রিবা লুপ অসি য়াইরিপোক মায়কৈদা য়াম্না মরু ওইবা অমনি। লুপ অসিনা মায়কৈ অসোমদা লৈরিবা তোঙান তোঙাবা সাহিত্য অমদি লিটরেচরগী লমদা লৈরিবশিং পূনশিন্নবগী খুদোংচাবা অমা পীরি।

অসিগীসু মথক্তা মণিপুর সাহিত্যগী পুক্কৈদা য়াইরিপোক মায়কৈগীসু লুপ অসিনা থৌদাং লৌদুনা শরুক য়ারি হায়বসিদসু নুংঙাইবা ফাওই। খুন্নাই অমগী মীংশেল ওইরিবা সাহিত্য অসি লৈবাক অমা চাওখৎলে লোয়ননা চাওখৎখ্রবা লৈবাকশিংদা অফবা মতিক ময়াই লৈবা সাহিত্যগী পুক্কৈশিং লৈরি। সাহিত্যগী চাওখৎপা অসি লৈত্রবদি লৈবাক অমদি লমদম অদু চাওখৎপা চিংলোইদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নীংতম্বগী ঈহৌদা রবিন্দ্রনাথ টেগোরনা লৌখিবা থৌদাং নীংশিংলদুনা মহাক্না হায়খি, অফবা অইবা অইবী, অফবা লাইরিক য়াম্না মরুওই। টেগোরগী ৱাখল্লোন অদুনা ইন্দিয়াগী য়ামখ্রবা মীওই ক্রোর কয়াগী থম্মোয়দা নীংখা তম্নীংবগী ইনোৎ পীখি। মণিপুরগীসু লময়ানবা ইরাবতনা ইরম্বা শৈরে, ৱারেংগী লাইরিক অমদি ঈশৈ কয়ানা লমদম অসিগী মীওইশিংদা মমা লৈপাকপু নুংশিবগী, বৃটিশ কোলোনিএল রুল থুগাইনবা অমদি লৌমীশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়াগী পূক্নিংদা অমদি থম্মোয়দা পীখিবা ইনোৎ অদু নীংশিংবা য়াই। ইন্দিয়া অমদি মণিপুরগী ওইনা য়েংলুবদা অইবা-অইবী কয়াগী থৌদাং চাউনা লৈ হায়নসু শিংথাখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা লুপকী ওইবা শঙলেন অমা এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী মথং চহীগী মার্চ ফাওবগী মনুংদা শাবা লোইশিল্লগনি হায়নসু এম এল এ মেঘচন্দ্রনা মীয়ামদা থাজবা পীখি।

থৌরম অসিগী অনীশুবা শরুক ওইনা সাহিত্য একাদেমি এৱার্দি আর কে ভুবনস্নানা থৌরম মপূ ওইদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা নুপা নুপী অইবা অইবী ১৫না শরুক য়াদুনা জননেতা হিজম ইরাবতপু শৈথাবা শৈরেংশিং মীয়ামদা খুদোল তমখি। মতুংদা তোঙান তোঙানবা লুপ কয়াগী মীওইশিংনা নাৎকী ওইবা মাইবী জগোয়, ধোন চোলোম, থাঙ-তা অমদি লৈবাক নীংবা মতম ঈশৈ কয়াসু মীয়ামদা লান্থোকখি।

হৈরোক কৈথেলদসু ইরাবত নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): জননেতা ইরাবতপু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনিষ্টর/এম এল এশিংগী লেট্টর হেদশিংদা দিনদয়াল উপধ্যায় থাবগী মহুত্তা জননেতা ইরাবত, টিকেন্দ্রজিৎনচিংবগী মমিং হাপ্পীবা য়াদ্রা হায়বা এম এল এ ও সুর্জকুমারনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা এসেমব্লিদা ফাওবা পুথোকখ্রে অদুবু হৌজিক ফাওবা চৎনবীদে হায়না নুংনাংবা ফোঙদোকখ্রে।

লময়ানবা জননেতা হিজম ইরাবতকী ১২২শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরমগা মরী লৈননা ঙরাং এস সী ঈ এ দি ও হৈরোক কৈথেলনা শীনবা ১১শুবা ওল হৈরোক ইন্টর স্কুল লিটরেরি মীট ২০১৮ হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াখিবা এম এল এ ও সুর্জকুমারনা মখা তানা হায়খি, হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি লাকপদগী লৌমীশিংদা দবল ইনকম হেনগৎহনগনি হায়বদু হৌজিক হৌজিক লৌমীশিং লৌ উবা ফাওবা ঙম্বীরিব্রা হায়না হংখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এক্স মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা হায়খি, ইরাবতকী ৱাখল্লোন, অচুম্বা চৎপা, ওইদবা তৌদবা, থোং মান্ননা চৎপা, নুংশি চান্ননা লৈবা, ইরোমদোম লেপচবা, মীপান তাংদবা লমদম অমা ওইনবা হোৎনরম্বা অদু নীংশিংদুনা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়না ফোঙদোকখি।

এম এল এ, মিনিষ্টরখক্তনা মীয়ামগী থবক তৌগনি হায়বা লৈতে। ইরাবতনা মীয়ামগী থবক্তি শিংথানীংঙাই ওইনা তৌরম্মী। থৌরম অদুদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ টি ঐচ লোকেশ্বর, হৈরোক নগর পঞ্চায়টকী ফোর্মর চ্যেরপার্সন জয়েন্তিমালা, হৈরোক পার্ট ৱানগী প্রধান এল খম্বা অমদি পার্ট টুগী প্রধানগী নোমিনি টি ঐচ প্রেমজিৎসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদু লোইশিল্লকপদা মার্চ পাষ্ট কন্টিনজেন্টশিংগী অথোই অহেন তান্নবগী প্রাইজ য়েন্থোকপগী থৌরমশিং পাঙথোকখি হায়রি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): লময়ানবা হিজম ইরাবতকী ১২২শুবা মপোক কুমওন নীংশিং থৌরমগা মরী লৈননা রিমসকী ব্লদ বেঙ্কতা য়ুথ ব্লদ দোনরস মণিপুর, ৱাংখেম অরাপতি ময়ায় লৈকায়, লাইফ সেভরস মণিপুর, ষ্টেট ব্লদ সেল এম ঐচ এল মণিপুর অমদি রিমস ব্লদ বেঙ্ককা পূন্না শীন্দুনা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা হিজম ইরাবতকী ফিদম্বু তুং ইঙ্গুদুনা শরুক য়াখিবা মীওই ৭৪গী মনুংদা নুপা ৫৪ অমসুং নুপী ১০ য়াওনা পূন্না মীওই ৬৪না ঈ কৎখি হায়রি।

ইরাবতকী মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা কাংচুপ শঙ্গেনবমদা উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): সোসল য়ুথ ওর্গেনাইজেসন (সোয়ো) ক্লব কাংচুপ সঞ্জেনবম্না শীন্দুনা লৈকায় অসিগী মফম কয়াদা উ চারাশিং থাবগী নোংমগী ওইবা থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

লেটস ষ্টেন্দ ফোর মেক এ পোল্যুসন ফ্রী মণিপুর হায়বা থিমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদু হোংলক্লিবা মালেমগী অঙাং অশাগী খোঙচৎ, কায়থরক্লিবা মহৌশাগী খল অসিদা উ চারাশিং থাদুনা য়োকখৎপগী তঙাইফদবা লুরবা তানফম অমা লাক্লে। মরম অসিনা পোল্যুসন ফ্রী মণিপুর ওইরক্নবগীদমক উ থাবগী মথৌ তারকখি। লৈকায় অসিগী লমলেন ওইনা লৈরিবা অহাংবা মফম অমদি লম্পাক্ন চিংবা মফম কয়াদা উ চারা ২০০ রোম থাখি।

থৌরম অসি ময়াং লাংজিং জিলা পরিষদ কৈশাম সোহদেবনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি। লাইরেনকাবী কদাংবম গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান এলাংবম প্রেমি, ফয়েং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান অঙোম শ্যামাশখিসু শরুক য়াখি হায়রি।

পোসন মাগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লেম্না লায়েংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএনএস): রাষ্ট্রিয়া পোসন অভিয়ান (নেসনল ন্যুত্রিসন মিসন) গী শরুক অমা ওইনা সেপ্টেম্বর থা অসিদা চথরিবা পোসন মা (ন্যুত্রিসন মন্থ) গা মরী লৈননা দিরেক্টরেট ওফ আয়ুস লম্ফেল পাৎকী মীৎয়েং মখাদা শিংজমৈদা লৈবা হোমিওপেথি হোস্পিটাল অমসুং থোংজু পার্ট ৱান জি পি অনীনা শীন্দুনা নোংমগী ওইবা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা ঙরাং ককৱা লমদাইবুং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ফমুং ১০ লৈবা হোমিওপেথি হোস্পিটাল শিংজমৈগী এম ও ডো. মেমনা চীফ গেষ্ট, থোংজু পার্ট ৱানগী প্রধান টি ঐচ লাতানা থৌরম মপূ অমসুং সোসল ৱার্কর কে মোধুসুদোন্না গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা ডো. মেমনা হায়খি, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্টনা লৈবাক অসিগী নুপী অঙাংশিংবু নাদ-য়েক্তনা মশা মউ ফনা লূ-নান্না থম্নবগী নেসনল ন্যুত্রিসন মিসন অসিদা আয়ুস লায়েং পথাপকী অচৌবা থৌদাং লৈ। লমদম অসিবু চাওখৎপগী মায়কৈদা পুরকপদা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্দবা মহৈরোয়শিংবু মশা-মউ ফনা, তিঙ্গং কায়জংদনা থম্বা মথৌ তাই। মরম অসিনা তুংগী য়ূম্বীরেলশিংবু মশা-মউ ফনা থম্বদা আয়ুসনা অচৌবা থৌদাং লৌনীংবগী অপাম্বা লৈ হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

আয়ুসনা মীয়াম্বু অফবা সাইদ ইফেক্ট লৈতবা মখলগী লায়েং পথাপ পীদুনা মীয়ামগী থৌগল তৌই। লায়েং পথাপ অসিনা মীয়ামদা পীরিবা কান্নবশিং মীয়াম্না লৌবীদুনা লমদম অসি চাওখৎ মায়কৈরোমদা পুরক্নবা হোৎনসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা লেম্না লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা নুপী অঙাং য়াওনা মীওই ১৮০ রোম লায়েংখি। লোয়ননা লেম্না হীদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি।

উকলনা উমংলাই লাইকোলশিংদা উ থাবগী থবক পাক শন্না চথরি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): দিরেক্টরেট ওফ ইনভাইরনমেন্ট অমসুং উমংলাই কনবা অপূনবা লুপ (উকল) না তোঙান তোঙানবা লাই থৌগল লূপশিংগা খুৎশম্নদুনা লমদম অসিদা লৈরিবা উমংলাই লাইকোলশিংদা উ থাবগী থবক লেপ্তুনা চথরি হায়না ফোঙদোরক্লি।

উকলগী জেনরেল সেক্রেটরি এম জিলাঙম্বনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, উমংলাই লাইকোল পুম্নমক্তা লমদম অসিগী ওইবা উ মরাং কায়না হৌহন্দুনা হোংলক্লিবা অঙাং অশা, ঈশিং নুংশিৎকী ফীভমশিং অসিদগী ঙাক্তুনা থম্বগা লোয়ননা হীদাক লাংথক ওইনা কান্নরবা লমদম অসিগী ওইবা উপালশিং মরাং কায়না হৌহন্নবগী পান্দমদা চথরিবা থবক অসি মীয়াম্নসু থৱায় য়াওনা শরুক য়ারক্লি।

উমংলাই লাইকোলদা থারিবা উপালশিং অসি মপূং ফানা হৌহনবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা তোঙানবা মীওই কয়ানা মপূং ফানা থৌদাং লৌনরি। মমাঙ চহীদা লাইকোল কয়াদা থাখিবা উপালশিং হৌজিক নীংথিনা হৌবগা লোয়ননা ঙাক শেনবগী থবক লেপ্তুনা চথনরি। হৌজিক থারিবা উপালশিং নীংথিনা হৌহনবা লাইকোলশিং খনগৎতুনা মনা মথুম্নচিংবা পীবগা মরী লৈনবা মখা তানা উ থাখ্রবা লাইকোলশিং ঈশিং চাইবা, লমশাং ইবুধৌ নোংদা লাইরেন পাখঙবা কবো লৈকায়, মচা ইবেম্মা খুভম নিংথৌখোং, সেকমাই নিংথৌ কৈরক, হৌরৈমা শমপুবী, য়াইঙংপোকপী ইবুধৌ পাখঙবা সঙাইথেল পুম্নমক্তা তানরগনি।

হৌজিক ওইরিবা নোং চীংগী ফীভম অসিনা মরম ওইরগা চথরিবা উ থাবগী থবক অসি হন্দক চহীগী ওইনদি লাক্লিবা ওক্টোবর ১০দা লোইশিল্লগনি। ৱাৎহৌরিবা লাইকোলশিং লাক্কদবা চহীশিংদা মখা তানা উ চারাশিং থাখিগনি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টরগী ৱাফম য়াবা ঙম্লোই : তৃণমুল

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): মণিপুর কায়হনগুমসি হায়রবদি হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিগী মতুং ইনবীরকউ হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেসনা য়াবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রদেশ তৃণমুল কোংগ্রেস কম্মিটিগী কনভেনর ডা. টি ঐচ ইনাওচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, বি জে পি লৈঙাক্কী মতুং ইন্দ্রবদি মণিপুর কায়গনি হায়বগী মওংদা মীয়ামদা ৱার্নিং তৌবগী মওংদা হায়রকপা হায়বসিগী নুংগী ৱাহন্থোক করিনো। ঙসি ফাওবা সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসনশিংনা পোলিটিকেল পার্টিশিংগা খূৎশম্নরগা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

বোর্দর পিল্লরগী ইস্যুগী মতাংদা সী এস ওশিংনা কন্না হোৎনরমদ্রবদি মণিপুরগী ফীভম করি ওইরমগনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী অরোনবা ৱাফম খরা মিদিয়াদা হায়দোক্লবদগী তেংনৌপলগী দি সী হৌজিক করম্বা ফীভমদা থম্বীরি হায়বসি মীয়াম্না খঙই। মণিপুর লৈঙাক থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী খনবীরবদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি এন এস সী এন (আই-এম) না চথরিবা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট অসিনা মণিপুরগী অপূনবা শক্তমদা অকায়বা পীরোই, হীরম অমত্তদা কাঙলুপ ফুরুপ অমত্তগী ইন্টরেষ্ট শোকপা থবক অমত্ত তৌহল্লোই হায়বগী থাজবা অইবা চেরোল পীদুনা করিগুম্বা পামদবা থৌদোক থোকহল্লোই। থোক্লকপা তারবদি মদু পূম্বগী থৌদাং মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পুগনি হায়না লাউথোকপীবা ঙম্বীগদ্রা হায়না হংলক্লি।

মীয়াম্না চরাংনবা ফীভম অমদা লৈরিঙৈ তাঞ্জাদা লৈবাক্কী থৌদাং লৈবা মীশক, মীয়ামগী লুচিংবা অমনা মীয়ামদা কিহন খংহনবা মানবা ৱাফম ফোঙদোরকপা হায়বসি লাইবক থীবনি। মণিপুর লৈঙাক্না তুংগী মীরোলনা শক্না শোন্নহৌগদবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলকপদা পার্টি অসিনা তরাম্না ওকই। সী এস ওশিংনসু মতেং পাংফম থোকই। মসি নত্তবদা লৈঙাক মপূগী য়াথং পাঙথোক্কবা হোৎনবদা অকন অরিং শিংদুনা কিহন খংহল্লগা মীগী থম্মোয়বু খুদুম চন্নবা হোৎনরকপা থবক থৌরম অমত্তা পার্টি অসিনা য়াবা ঙম্লোই।

এম য়ুদা থোক্লিবা ৱাথোক পার্টি অসিনা সোল্যুসন পুরক্নবা হোৎনবদা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি। অদুবু মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ফাজিনখিবা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিং কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা অথুবদা থাদোক্কদবনি। লোয়ননা এম য়ু কেম্পসতা থমজিল্লিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং হান্না লৌথোক্কদবনি। মতম অদুদা পার্টি অসিনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি।

সেন্তর অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট হীরম খুদিংমক্তা ফেল ওইরে। জি এস টিনা মীয়ামদা হায়নীংঙাই লৈতনা ৱাহল্লে। নোংমদা চঙ্গ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী মমল লৈঙাক্না কন্ত্রোল তৌদ্রে। লল্লোন ইতিক তৌবশিংনা য়োন্নীং য়োন্নীংবা মমলদা য়োন্দুনা লৈরে। ফীভম অসিদা মণিপুর লৈঙাক্না তুমিন্না য়েংদুনা লৈথোকপা মতম নৎত্রে। অথুবা মতমদা পোৎ চৈগী মমল লৈঙাক্না কন্ত্রোল তৌগদবনি। লোয়ননা অথুবা মতমদা পোৎকী মমল লেপথোক্তুনা মীয়ামদা খঙহন্নবা পার্টি অসিনা তকশিল্লক্লি।

পেট্রোল অমদি দিজলগী মমল ৱাংখৎলকপনা মীয়ামদা হায়নীংঙাই লৈতনা ৱাহল্লে। নোংমগী শূর-নোম্লগা চরা তম্লিবা মীয়ামদা অমুক্কা হেন্না অৱাবা মায়োক্নহল্লে। নাকল অমরোমদা মণিপুর লৈঙাক্না লো এন্দ ওর্দর ঙাকপা ঙমদ্রে, সিটি মনুংদা বোম পোকখায়দুনা শিন্নী কয়া মীশি-মীনা য়াওহল্লে, ইস্যু কয়াগী মতাংদা কাঙলূপ অমনা নৎত্রগা সী এস ওশিংনা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরকপদা ট্রান্সপোর্ট দিরেক্টরনা গাড়ী চেন্নবা, পেসেঞ্জর সার্ভিস তৌদবা গাড়ীশিং লাইসেন্স কক্কনি, থোঙ হাংদবা দুকানশিং এক্সন লৌগনি হায়দুনা তোঙান তোঙানবা চেরোলশিং থোক্লবসু থবক ওইনা পাঙথোকপা ঙমদ্রে। নেসনল হায়ৱেশিংদা খূৎলায় পায়বা লোনা য়াদবা মীওইশিংনা লুট পাট তৌবদা নত্তনা মীয়ামদা কিহন খংহনবগী থবক চথরে। তৌনীং তৌনীংবা তৌবদা থিংবীনবা লৈত্রে। চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা মথৌ তৌগদবা এ দি সীগী ওফিসশিং ইম্ফালদা ওইনা হাংদুনা লৈরে। এ দি সী মেম্বরশিং চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈগদবনি অদুবু উপাই লৈতদুনা ইম্ফালদা ক্বার্টর লৌদুনা লৈনরে।

হন্দক্তসু এ দি সী ওফিস তমেংলোং ওফিস মৈ থাদোক্তুনা মাল চাং কয়া মাঙ তাকহনখ্রে অমদি লৈঙাক্না চীংদা তারিবা এমপ্লোয়ীশিং মণিপুর পুলিস য়াওনা লোনা য়াদবা খূৎলায় পায়বশিংগী মখাদা লৈবদৌনা তৌবা মওং পুম্নমক অসি মুন্না য়েংলুরগা লো এন্দ ওর্দরদদি মপূং ফানা ফেল ওইরে হায়বা য়ারে হায়রি।

হীরম খুদিংমক্তা ফেল ওইরবা লৈঙাক অমগুম মীয়াম্না উরিবা অসি উদনবা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা মতিং লৈনা থৌনা ফনা, থৌদাং মশক খঙনা থবক পায়খৎপীনবা পার্টি অসিনা আপিল তৌরি।

এমসুগী ৫৩শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ৱাংজিং লৈকোলদা উ চারাশিং থাখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০(ঐচএনএস): ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু) গী ৫৩শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা ঙরাং ৱাংজিং লাইকোলদা উ চারাশিং থাখ্রে।

এমসু থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা উ চারা থাবগী থৌরম অদুদা ৱাংজিং তেন্থা কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ পাওনম ব্রোজেনসু শরুক য়াখি অমদি থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না হায়খি, লমদম অসিদা অফবা ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম থমদবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা মহৈ তম্লিবা তুংগী য়ূম্বীরেল ওইরক্কদৌরিবা মহৈরোয়শিংনা উ চারা থাবগী থবক পায়খৎলকপা অসি পূক্নিং থৌগৎনীংঙাইনি।

ঐখোয় মীওইবনা মহৌশাবু শিংনরুবদগী মীওইবা কাঙলূপ অসি মখল মখা কয়াগী তমথীবা লায়না অমদি তম্বা ঙমদবা মহৌশাগী খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নরে। থায়নগী অহল লমনশিংনা উবু লাইনি হায়না লাইবক কৎনরিবনি, খুরুম্নরল্লিবনি। থায়নগী ইপা ইপূশিং অদুগী ৱাখল্লোনশিং অদু ওন্থোক্না থাক ৱাংই। হৌজিক্কী মতমদা লায়ওং খঙদবা লায়না কয়া থোরক্লিবা অসি উ য়ান্থুৎপগসু মরী য়াম্না লৈনৈ। উ লৈত্রবদি অশেংবা নুংশিৎ ফংবা ঙমদে। মসি খঙনরকপদগী ঙসিদি উ থাজিন্দুনা অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ শেংনা ফীভম ফনা থম্বা হায়বসি মালেম পূম্বগী খোল্লাউ ওইরি হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

TREATED SUCCESSFULLY

মায় পাক্লা লায়েংজরি

PH. ALAM

PILES : খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, শৌজ নান্থবা, ঈ তাবা, মনুং-মপান্দা পোম্বা, মচুম তাবা, নুংশিৎ কাবা, শৌজদা মরেং-মরেং চৎপা, খোঙ হাম্বদা অকনবা অমদি মরু-মরু ওইনা হাম্বা অসিনচিংবা।

GASTRIC : চাবা তুমদবা, পুক নুংশিৎ কাবা, পুক নাবা, থিনবা, শাওবা, খোঙ হাম্বদা নুংঙাইতবা অসিনচিংবা।

STONE CASE : পুক থিনবা, নাবা, শাবা, খ্বাঙ নাবা অসিনচিংবা।

ASTHMA AND COUGH: শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌ মনুংদা কঙশিল্লগা লোক খুবা, থবাক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, শ্বর মপুংফানা হোনবা ঙমদবা অসিনচিংবা।

SINUS : নাতোন মরেং মরেং চৎপা, নাতোন্দা মহি তাবা, নাতোন ফুনবা, কোক চিকপা, হকথি তোয়না খনবা অসিনচিংবা।

LIVER, JAUNDICE, SUGAR : লিভর জোন্দিস অমসুং সুগর প্রোব্লেম্ন চিংবা লায়েংজরি।

BODY PAIN (PARALYSIS) : খোঙ-খূৎ হকচাংনচিংবা শিথবা, হকচাং শিন-থুংনা চিকপা নাবা, তাং-তাং চিকপা, শীংলি-শীংনাও শোনবা, কোক চিকপা নাবা, পোম্বা, শারগা পোম্বা অসিনচিংবা লায়না কয়া মায় পাক্লা লায়েংজরি।

1. NEXT TO IMPHAL BAZAR COMMUNITY CREMATION GROUND MINUTHONG
2. KAKCHING BAZAR, PHUNGA SHOPPING COMPLEX, 1ST FLOOR NEAR TRAFFIC POINT, KAKCHING DIST.(WEDNESDAY & THURSDAY) OPEN

MOBILE NO.: 8787579776 / 8259968220

HL-P/5324/4/9-1/10(Alt.

REVISION COURSE
CBSE CLASS - IX & X
Sub: Eng, Maths, Science & Social Sc.
COMPLETE DISCUSSION ON CBSE QUESTION PATTERN
CLASS STARTS : Monday, the 1st October, 2018
Timing : 4:30 p.m. to 7.30 p.m.
RESOURCE TUTORIAL CENTRE
KHURAI LAMLONG BAZAR
FORMS will be available from the Office of Resource Tutorial Centre
➢ 9:30 A.M. TO 8 P.M.
☎ 8415923747 / 9366072052
HL-P/2154/17/9-2/10

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- ENGLISH COURSE FOR X & XII
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Eligibility : Class X, XII, Graduate & Young mothers]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact Nos. ☎ 8974642764
HL-P/3623/6/9-6/10